গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর
ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স
.......
প্রেস রিলিজ

## ইম্ফাল-জিরি লম্বী শেমজিন-শাজিন্নবগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনরি

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ ইম্ফাল-জিরি লম্বী শেমজিন-শাজিন্নবগী থবক অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনরি হায়না ৱার্ক্স মিনিষ্টর শ্রী থোংঙাম বিস্বজিৎ সিংহনা ঙসি নেস্নেল হাইৱে - ৩৭ দা ইন্সপেক্সন চথখিবগী খোঙচৎতা ফোঙদোকখ্রে। লম্বী অসিগী শেমজিন শাজিনবগী থবক নেস্নেল হাইৱে ইনফ্রাষ্ট্রকচী ডিভেলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেড (এন ঐচ আই ডি সি এল) না পায়খৎলি।

মক্রু থোং য়েংশিল্লদুনা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি মদুদি লম্বী শেমজিন-শাজিনবগী থবক অসি হৌজিক ওইরিবা নোংজু-নুংশাগী ফিভম অসিনা থেংথবা য়ানা লৈরি। হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা মীয়ামদা চৎলিবা থা অসিগী অরোইবা ফাওবদা লম্বী শেমবা লোইশিনগনি হায়না থাজবা পীখিবা অদুদী ঙাক্লনবা কন্না হোৎনরি। হৌজিক ওইরিবা নোং-চীং গী ফিভম অসিনা ফগৎলক্লবদি অথুবা মতমদা লম্বী শেম্বা অসি লোইশিল্লগনি থাজে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদী বরাক থোং অসি মিটর ১৫৪ শাংগনি অমসুং মক্রু থোং অসিনা মিটর ১২২ শাংগনি। থোং অনি অসি লোইশিন্নবা চহি অহুমগী মতম পীরবসু য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট রোড ট্রান্সপোর্ট না মণিপুরদা লাক্লম্বদা পীরিবা চহি অহুমগী মতম অসি শাংমল্লি অমদি মসি চহি অমগা মখায়দা লোইশিনগদবনি হায়খি।

থোং অসি শাবা হৌরকপদা লম্বী চথোক-চৎশিনদা অকায়বা পীদননবা ডাইভর্সনসু শেমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

ইন্সপেক্সন অদুদা ষ্টেট ৱার্ক্স ডিপার্টমেন্ট কী চিফ ইঞ্জিনিয়ার য়াওনা অতোপ্পা ইঞ্জিনিয়ারশিং য়াওখি। মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অদু ঙরাং নুংথিল জিরিবামগীদমক্তা খোঙশানখি অমদি জিরিবামদা অহিং অমা লেল্লগা ইম্ফালগীদমক্তা ঙসি খোঙশাল্লকখি।

.................................................................................................

BEN/APO (P) No. 387 25/04/2017